ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses

ওনলি সঙ্গাইয়ুম্ফম মেম্বর গ্রুপ (ও এস এম জি)না শীন্দুনা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী শেংলবা থা রামাদানগী শরুক অমা ওইনা সঙ্গাইয়ুম্ফম নুঙফৌ থোংদা পাঙথোকখিবা রোজা ইফতার পার্টি



লামায় ৪

ষ্টেট ইনভাইরনমেন্ট হেল্থ সেল অমসুং দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা পুন্না শীন্দুনা হিট ৱেভস এন্দ ইফেক্টস ওন হেল্থ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা ৱর্কশোপ




লামায় ৫

জি পি ৱুমেন কোলেজ অমদি দি এম কোলেজ ওফ টিচর্স এদুকেসননা শীন্দুনা পেদাগোজি এন্দ এসেসমেন্ট টুল প্রিপরেসন হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা ৱর্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম



লামায় ৪

ইন্নরদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইখিবা শক্লাইরবা এক্তর আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়স কাইকুনা মথংগী মীখলদদি পার্টি অমগী গাইদ লাইন মখাদা মীখল থেংনরগনি হায়না ফোঙদোকপা



লামায় ১

Vol. 43, Issue No.57 | থাংজ, কালেন ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, May 25, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## বৃটিশ পি এম টেরেসা মে ফম থাদোক্লগনি

লন্দন, মে ২৪ (এজেন্সি): বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে ফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।



খোঙথাং অসিগা লোয়ননা বৃটেনবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী ময়েক শেংনা তোকহনবা ঙমগদবা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা খন্নবগী অকনবা থৌরাং অমা লৌখৎলক্কদৌরি।

মপূং ওইবা পাউ লামায় ৯দা...

## HL Poll

Q: Meeyamna BJP gi meerep mai pakhallibasi Citizenship Amendment Bill pass toubada ayaba pibani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Lok Sabhagi mikhalda EVM semdok-semjin toukhi haina phongdoknaraklibasi thajaningai oibra?

Yes 59% No 41%

# মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী অনীশুবা টর্মগী লৈঙাক শেম্নবা থৌরাং তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এল্লায়ন্স (এন দি এ)না চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম পাঙথোক্তুনা ১৬শুবা লোক সভা দিজোল্ব তৌননবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী অনীশুবা টর্মগী লৈঙাক শেম্নবা থৌরাং তৌখ্রে।



১৭শুবা লোক সভা মীখলগী ফল ঙসি লাউথোকপা লোইখ্রে। অপূনবা সীট ৫৪২গী মনুংদা বি জে পিনা সীট ৩০৩ ফংদুনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ওইরগা এন দি এনা সীট মশীং ৩৫৪ ফংখিবনি। কোংগ্রেসনা হন্দক্কী মীখলদা শুপ্নগী সীট ৫২ ফংখিবগা লোয়ননা পার্টি অসিনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লায়ন্স (য়ু পি এ)না সীট ১০০ য়ৌনা ফংবা ঙমখিদে।

য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম লোইরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ উনদুনা কেবিনেটকী ৱারেপ অদু পীশিনখি। ইলেক্সন কম্মিস্নরশিংনা প্রসিদেন্ট উনদুনা মীখলদা মায় পাক্লবা মেম্বরশিংগী লিষ্ট অমা পীশিল্লবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা হৌনবী মতুংইন্না নোটিফিকেসন থোক্তুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৮৩ (২)গী মখাদা ১৬শুবা লোক সভা দিজোল্ব তৌরে হায়না লাউথোক্লগনি। ১৬শুবা লোক সভাগী মতম জুন ৩ দা লোইগদবনি। অদুবু য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফমনা ঙসি লোক সভা দিজোল্ব তৌবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী অনীশুবা টর্মগী লৈঙাক্তা অনৌবা মীওই কয়া মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই। হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা মীওই কয়া অহল ওইশিল্লকপা মরম্না নহা ওইরিবা মীওই কয়া মিনিষ্টরগী থৌ পুহল্লবা য়াই হায়না থাজনরি। ফাইনান্স মিনিষ্টরগী থৌ পুরম্বা অরুন জেটলিগী হকচাং শোকচিল্লকপা মরম্না অনৌবা এন দি এগী লৈঙাক অসিদা পিয়ুশ গোয়লনা ফাইনান্স মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা য়াই।

সুস্মা স্বরাজসু অহল ওইশিল্লকপা মরম্না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টরগী ফম মখা তানা পায়খিগদ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক্তা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহবু মরুওইবা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইহল্লবা য়াই হায়না থাজনরি। অমিট শাহবু হোম মিনিষ্টর ওইহল্লগা রাজনাথ সিংহবুনা দিফেন্স মিনিষ্টরগী থৌ পুহল্লবা য়ারি। দিফেন্স মিনিষ্টরগী থৌ পুরম্বী নির্মালা সিতারামনসু মরুওইবা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইনা থৌ পুহল্লবা য়াই হায়রি।

হন্দক্কী লোক সভাদা অহানবা ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকপা মীওই ৩০০ য়াওরি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মমাংগী লোক সভা মীখলদদি পূন্সিগী অহানবা ওইনা মায় পাক্লকপা মীওই ৩১৪ য়াওখিবনি।

পি আর এস লেজিসলেটিভ রিছার্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না অনৌবা লোক সভাদা মেম্বর ওইগদৌরিবা মীওই অয়াম্বা মশাগী চহী ৫৪গী চাংদা লৈ। মীওই ৩৯৪ দি গ্রেজ্যুয়েটনি। লোয়ননা নুপী ৭৮সু হন্দক্কী মীখলদা মায় পাক্লকখি।

অহানবা ওইনা মীখলদা মায় পাক্লকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই চাদা ৪২দি মশাগী চহী ৫৬তগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইরি। মীওই চাদা ৬না মশাগী চহী ৭০ হেল্লে অমসুং মীওই চাদা ১২না মশাগী চহী ২৫ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈরি। ১৬শুবা লোক সভাগা চাংদম্নবদা মশাগী চহী ৪০ শুদ্রিবা এম পি মশীং য়াম্বা হন্দক্লা হেল্লে।

হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা পূন্না নুপী ৭১৬ মীরেপ ওইখিবগী মনুংদা ৭৮ মায় পাকখি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদদি নুপী মীরেপ ৬২ খক মায় পাকখিবনি।

লোক সভা মীখলগী পুৱারীদা পার্টি অমনা সীট ৩০০ হেন্না ফংবা হন্দক্লা মাপনলকশুবনি। কুমজা ১৯৫২দা অহানবা লোক সভাগী মীখল পাঙথোকখিবদা কোংগ্রেসনা অপূনবা সীট ৫৪৩গী মনুংদা পূন্না সীট ৩৯৮ ফংবা ঙমখি। কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবা মীখলদসু জৱাহরলাল নেহরুগী লিচিং মখাদা কোংগ্রেসনা সীট ৫৩৭কী মনুংদা ৩৯৫ ফংবা ঙমখিবনি।

## সী এম বিরেন, ভবানন্দ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে





ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): এন দি এগী লৈঙাক অমুক হন্না লাকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওনবগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাজ্য সভাগী এম পি, কে এস ঐচ ভবানন্দ ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

এন দি এগী পার্টনরশিংনা ১৭শুবা লোক সভা মীখলদা চাউনা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক দিল্লিদা বি জে পি য়াওনা এন দি এগী পার্টনর ওইরিবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিং দিল্লিদা পাইশিন্নখ্রে। ষ্টেট অসিদগীসু সী এম অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ঙসি দিল্লি পাংখ্রে।

মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্লকপা অসিগী মতাংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাঙলোয় সী ঐচ বিজয়না ফোঙদোরকখিবদা, বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা চাউনা মায় পাক্লকখিবা অসি পার্টি অসিনা হান্ননা থাজবা থমদুনা লাকখিবনি। কনাগুম্বশিংনা থাজরুবগী ৱাংমদা ভোট মশিং য়াম্না ফংলকই হায়না হায়নবা য়াওই। অদুবু বি জে পিগী ওইনদি মোদি মিসন হায়না হান্ননা চঙশিন্দুনা লৈখ্রবনি। মীয়াম্না বি জে পিদা থাজবীবা অদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ডা. আর কে রঞ্জন অমসুং লোরহো এস ফোজেদা মিনিষ্টরগী ফম পীরক্কদ্রা?





ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এল্লায়ন্স (এন দি এ)কী অনৌবা লৈঙাক শেম্লক্কদৌরিবা অসিদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদগী মায় পাকখিবা এন পি এফকী লোরহো এস ফোজে অমসুং ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদগী মায় পাক্লকখিবা বি জে পিগী ডা. আর কে রঞ্জনদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ফম পীরক্কদ্রা হায়বসি ৱাহং ওইরি।

আউটরদনা এন পি এফকী লোরহো এস ফোজেনা মায় পাক্লকখিবা অমসুং ইন্নরদা আর কে রঞ্জননা মায় পাক্লকখিবা অসিনা মণিপুরগী সীট অনীমক এন দি এনা ফংবা ঙমখিবনি। কুমজা ১৯৯৯ দা লৈখিবা প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারি বাজপায়ীনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্তা মতমদুগী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মীহুৎ ওইখিবা টি ঐচ চাওববু কলচর অমসুং য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইহনখিবনি। মসিগী মতুংদা লাকখিবা য়ু পি এ লৈঙাক্কী মতমদা মণিপুরদগী মীহুৎ অমত্তা মিনিষ্টর ওইখিদ্রি। হন্দক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক শেমগদৌরিবা অসিদা মণিপুরদগী মীহুৎ অমফাওবদি মিনিষ্টর ওইহন্নীংবগী অপাম্বা মীয়ামদা লৈরি।

লম্ফেলগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙরাং নুমিদাং মীখলগী মায় পাকপগী সর্টিফিকেট লৌবা লাকপা মতমদা ডা. আর কে রঞ্জননা মহাক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলগা শেমগদৌরিবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইবা ফংগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি। মসিগীসু মথক্তা করিগুম্বা মিনিষ্টর ওইবা ফংলবদি মহাক্না মীয়ামগীদমক তৌগে খল্লিবা থবক থৌরমশিং অসি হেন্না মপূং ফাহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি। অদুম্মকপু বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী ডা. আর কে রঞ্জনদা মিনিষ্টরগী ফম পীবীননবা সেন্ট্রেল লীদরশিংদা তকশিনবগী পাউদি লৈত্রি।

মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা ডা. আর কে রঞ্জননা ভোট মশীং ২,৬৩,৬৩২ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা আই এন সীগী মীরেপ ওইনাম নবকিশ্বরদগী ভোট মশীং ১৭,৭৫৫ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি। আই এন সীগী মীরেপ ও নবকিশ্বরনা মীখল অসিদা ভোট মশীং ২,৪৫,৮৭৭ ফংখিবনি। অদুগা সী পি আইগী মীরেপ ডা. এম নরানা ভোট মশীং ১,৩৩,৮১৩ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ রাজকুমার সোমেন্দ্রো এলিয়স কাইকুনা ভোট মশীং ৮১,৬৩৪ ফংলগা মথংশিংনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা তাখিবনি।

এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ ওইখিবা আর কে অনন্দনা ভোট মশীং ২৫,০১০; এম পি পিগী মীরেপ ওইনাম জুগিন্দ্রোনা ভোট মশীং ১,৭৮৩; ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৱাহেংবম পবিত্রনা ভোট মশীং ১,৪৭০; এম দি পি এফকী মীরেপ জি তোনস্না শর্ম্মনা ১,২৫৬; ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ এম তোমতোমস্নানা ৯৭৩; আর জে এস পিগী মীরেপ সেঞ্জম নন্দেশ্বরনা ৭৪৭ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ এম দি ইল্লিয়াস খাননা ভোট মশীং ৪৯২ ফংখিবনি। অদুগা নোটাগী ভোট মশীংনা ২,৬১৪ ওইখি।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদনা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী মীরেপ লোরহো এস ফোজেনা ভোট মশীং ৩৬৩৫২৭ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা বি জে পিগী মীরেপ হাওলিম সোখোপাও মাতেদগী ভোট মশীং ৭৩,৭৮২ হেন্দুনা চাওনা মায় পাকখিবনি। হাওলিম সোখোপাও মাতেনা ভোট মশীং ২,৮৯,৭৪৫ ফংখিবনি। আই এন সীগী মীরেপ কে জেমসনা ভোট মশীং ১,৫২,৫১০ অমসুং এন ঈ আই দি পিগী মীরেপ অশং কাসারনা ভোট ১২,২১১ ফংদুনা মথংশিংনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা তাখিবনি। মীখল অসিদা মায় পাকখ্রবা এন পি এফকী লোরহো এস ফোজে এন দি এগী লুচিংবশিং উনরুনবগীদমক ঙসি দিল্লিদা খোঙশানখ্রে হায়রি।

## হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর দেবে গৌদা, শৈলা দিক্সিট য়াওনা মশক নাইবা কয়া মায়থীবা ফংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেবে গৌদা অমসুং দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী শৈলা দিক্সিট য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া মায়থীবা ফংখ্রে।

মায়থীখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা জ্যোতিরাদিত্য সিন্দিয়া, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী মীরেপ কহ্নাইয়া কুমার, মালিক অর্জুন খার্গে অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বী মেহবুবা মুফটি য়াওরি।

কর্নাটকাগী তুমকুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা মীরেপ ওইখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেবে গৌদাবু বি জে পিগী মীরেপ জি এস বসবরাজনা মায়থীবা পীখি। ঐচ দি দেবে গৌদানা ভোট ৫,৮২,০০০ ফংখিবদা জি এস বসবরাজনা ভোট ৫,৯০,০০০ ফংখি।

নোর্থ ইষ্ট দিল্লি লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ মনোজ টিৱারিনা শৈলা দিক্সিটতগী ভোট লাখ ৩ লোম হেন্দুনা মায় পাকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অনন্তনাগ কন্সটিট্যুয়ন্সিদা পি দি পিগী মীরেপ ওইখিবী মেহবুবা মুফটিবু জে কে এন সীগী মীরেপ হসনম মসুদিনা মায়থীবা পীখি।

বিহারগী বেগুসরাই পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)গী মীরেপ ওইখিবা কহ্নাইয়া কুমারবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী মীরেপ গিরিরাজ সিংহনা ভোট লাখ ৪.২২ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

য়ুনিয়ন টেক্সটাইল মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানী য়াওনা হান্নগী মিনিষ্টর অমদি এম পি কয়া হন্দক্কী মীখল অসিদা অমুক হন্না মায় পাকখি।

কোংগ্রেসকী অকনবা মফমনি হায়না লৌনরিবা উত্তর প্রদেশকী অমেথি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা স্মৃতি ইরানীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদগী ভোট ৫৫,০০০ হেন্না ফংদুনা মায় পাকখি।

মায় পাকখ্রবশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমদি নিটিন গদকারিসু য়াওরি। লক্ষ্নৌ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা রাজনাথ সিংহনা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ওইখিবী পুনম সিনহাদগী ভোট ৩,৪৭,৩০২ হেন্দুনা মায় পাকখি।

ঘাজিয়াবাদ লোক সভা কন্সটিট্যুয়ন্সিদনা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ সুরেশ বন্সালবু বি জে পিগী মীরেপ, জেনরেল ভি কে সিংহনা ভোট ৫,০১,৫০০ হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।

বিহারগী পত্না সাহিব লোক সভা কন্সটিট্যুয়ন্সিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা কোংগ্রেসকী মীরেপ সত্রুঘন সিনহাদগী ভোট ২,৮৪,৬৫৭ হেন্দুনা মায় পাকখি।

জয়পুর রুরেল পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা কোংগ্রেসকী কৃষ্ণ পুনিয়াদগী ভোট ৩,৯৩,১৭১ হেন্দুনা মায় পাকখি।

মতম শাংনা কোংগ্রেসকী অকনবা মফমনি হায়না লৌনদুনা লাকখিবা উত্তর প্রদেশকী অমেথি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী মায়থীখি। অদুমওইনমক কেরলাগী ৱায়ানাদ কন্সটিট্যুয়ন্সিদা রাহুল গান্ধীনা সী পি আইগী মীরেপ পি টি সুনিরদগী ভোট লাখ ৪ রোম হেন্দুনা মায় পাকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পোক্লফম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটতা বি জে পিনা লোক সভা সীট ২৬ মক ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহসু মীখলদা মায় পাকপা ঙমখ্রে। মমাংগী মীখলদা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা সীট ১৫ ফংবা ঙমখিবনি।

## মথংগী মীখলদদি পার্টি অমগী মীরেপ ওইগনি : কাইকু

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): মথংগী মীখলদদি পার্টি অমগী গাইদ লাইন মখাদা মীখল থেংনগনি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইখিবা আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়স কাইকুনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সোমেন্দ্রোনা হায়খি, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা ওইনা অহানবা থোরকপদা ভোট পীবীরক্লিবা কয়া অসিনা চাউনা মায় পাকপা অমনি খল্লি। ভোট পীরকপগী চাং ৱাংবা অসিনা মীয়াম্না নুংশিবী হায়বদু তাক্লি। মসিগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎলি। শেল য়েনবসু লৈতে, শেলনা ভোট লেপ্পসু নত্তে। মীয়ামগী অৱাবশিং য়েংলগা মতেং পাংনবা হোৎনজবনি। ভোট কাদ্রবসু মায় পাকপা অমনি খল্লি। ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা ওইনা থেংনবনা মেন পৱার ৱাৎপগী অহোবা কয়া লৈখি। নেসনল পার্টিদি গাইদ লাইন অমদা চঙবনা অহোবা লৈতে। মথংদদি পার্টি অমদা য়াওরগা হোৎনগে খল্লি। এম পিদা অদুম্মক লেপখিগনি। অফবা পার্টি অমদা খুদোংচাবা লৈরবদি য়াওগনি। রিজনল পার্টিদি পামজরবসু খরদি লুনা থোকই। ফিল্মসু তোক্লোই। ভোট কারল্লবসু চহী অমদা ২/৩ লক্তি অদুম্মক কুমগনি। মীখল অসিদা মঙোন্দা ভোট পীবীরকখিবশিং অদু অচুম্বা পাম্বা ঙাক্তনি।

১৭ শুবা লোক সভা মীখলদা কাহৌদ্রবসু মীয়াম্না মশিং য়াম্না ভোট পীরকপা অসি মায় পাকপা অমনি। ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা মীখল থেংনবা মতমদা গাইদ লাইন অমদি সপোর্ট য়াম্না ৱাৎলি। পোলিটিকেল পার্টি অমগী চৎন-কাঙলোন অমগী মতুংইন্না চৎলবদি হেন্না মায় পাকপগী লম্বীদা লাক্কনি। মখা তানা মীয়ামগীদমক লেপখিগনি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ফিলেম রোহননা হায়খি, জুন ১২ দগী হৌরগা কাশ্মিরদগী কৈন্যাকুমারী ফাওবদা লৈরিবা মফমশিংদা থা ৩ হেনবগী সাইকল রেল্লি অমা চৎকনি। খোঙচৎ অসিনা স্লম এরিয়াদা লৈবশিংগী পুন্সি মহিং অদু য়েংগনি। দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন হায়বা থীমদা সাইকলগী খোঙচৎ অসি চৎকদবনি হায়নসু মখা তারি।

### সী দব্লিয়ু সী মীটিং য়াওরুনবা গাইখাঙম দিল্লি পাংখ্রে

## কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোক্লম্লবদি ষ্টেটসিদা কোংগ্রেস মায় পাক্লমগদবনি, মীয়াম্বু ঈকায় খুম্নে : গাইখাঙম

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস): কাঙলোন চুম্না মীখল পাঙথোক্লম্লবদি ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস মায় পাক্লমগদবনি। মীয়াম্না ভোটি মশিং য়াম্না কোংগ্রেসতা ফংহল্লকখিবা অদুগীদমক ঈকায় খুম্নে হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী)গী মীটিং য়াওরুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা পাউমীশিংগা উনবদা গাইখাঙমনা হায়খি, হন্দক্কী লোক




সভা মীখল অসিদা থাজরুদবা মওংদা বি জে পিনা মেজোরিটি ওইরকখ্রে। মীয়ামগী মেন্দেট অসি ঈকায় খুম্নবা তাই। অদুমকপু বি জে পিনা থাজরুদবা মওংদা মশিং য়াম্না মায় পাক্লকখিবা অসিদা চিংনবদি ফাওই।

ষ্টেট অসিদা মীখলদা পৱার কয়া শীজিন্নখিবরা হায়বগী চিংনবা লৈ। ফ্রি এন্দ ফেয়র ওইবা ইলেক্সন ওইরম্লবদি কোংগ্রেস কারমগদবনি। ইন্নরদা বি জে পিগী মীরেপনা কোংগ্রেসতগী হেল্লিবা ভোট মশিং অসি লিশিং ২০ য়ৌদে। য়াম্না নক্লবা মার্জিনদা মায় পাকখিবনি। মীয়াম্না কোংগ্রেসতা ভোট মশিং য়াম্না পীরকখিবা অসিগীদমক ঈকায় খুম্নবা উৎলি। বি জে পি অমদি এন পি এফনা ষ্টেট অসিদা মখল কয়াগী পৱার ...মখা লামায় ৩ কলম ২




HL-P/4134/7/5-5/6

## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | |
|---|---|
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 10:30 |
| IMPHAL → | DELHI |
| IndiGO | 14:30 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| IndiGO | 12:20 |
| IndiGO | 13:45 |
| Air India | 14:20 |
| IMPHAL → | HYDERBAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| IndiGO | 14:35 |
| Air India | 15:00 |
| IndiGO | 15:30 |
| Air India | 16:45 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৫ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.১৬ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৬

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.727728 |
| US Dollar | 69.376984 |
| British Pound | 88.157681 |
| Australian Dollar | 47.984908 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.054378 |
| Japanese Yen | 0.634127 |
| Malaysian Ringgit | 16.571966 |
| Australian Dollar | 47.984908 |
| Singapore Dollar | 50.434509 |
| South Korean Won | 0.058488 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.500529 |
| Thai Baht | 2.177845 |
| Myanmar Kyat | 0.04522 |
| Bangladesh Taka | 0.82282 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | |
|---|---|
| Chennai | – Rs 32470.59 |
| Mumbai | – Rs 33155.08 |
| Delhi | – Rs 33155.08 |
| Kolkata | – Rs 33475.94 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- সার চোংশিনবা নত্তনা কান্নরোই!



- ঙরাংদগী চোংজখ্রে তাবীহৌদ্রা তাদা...!